# ক্বেটা সিটিদা বোম পোকখায়বদা মাইনোরিটি ইথনিক হাজরাশিংনা অয়াম্বা ওইদুনা মীওই ২০ শিখ্রে



**ক্বেটা সিটি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

মাইনোরিটি সিয়াইট মুস্লিমশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা এটেক্ত অমদা ইরাই নুমিত্তা পাকিস্তানগী ক্বেটা সিটিদা লৈবা মী চিল্লবা মনা-মশিং অমসুং হৈ-রা য়োনফম কৈথেল অমদা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়খিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে। শিরিবশিংগী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি মাইনোরিটি ইথনিক হাজরাশিংনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রিসোর্স মরাং কায়না লৈবা বলুচিস্তান প্রোভিন্সকী কেপিটেল ওইরিবা পাকিস্তানগী খা নোংচুপ থংবা সিটি ক্বেটাদা থোকখিবা বোম পোকখায়গী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবা মীওই ৩০ রোমসু অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি। বলুচিস্তান প্রোভিন্স অসি চাইনাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা পাকিস্তানগী খা থংবা অরুবা ঈশিংদা লৈবা গুৱাদর হিথাংফমগা শম্নহন্নবা পায়খৎপা ট্রান্সপোর্ট অমসুং ইনর্জি লিঙ্ককী প্রোজেক্ট অমা ওইরিবা দোলর বিলিয়ন ৫৭ কী চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোরগা মরী লৈননা মরূ ওইবা মফম অমা ওইরকখিবনি। এটেক্ত অদু বলুচিস্তানদা লৈরিবা সিয়াইট হাজরা মাইনোরিটিগী মায়োক্তা মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা এটেক্তশিং চথবা য়ামদ্রবা চহী অমরোম লেপ্পুরবা মতুংদা চথরকখিবনি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু হাজার গাঞ্জি হায়না খঙনবা ক্বেটা সিটিগী চিদাইদা লৈবা হৈ-রা অমসুং মনা মশিংগী কৈথেলগী মফম অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৬ শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে। মখোয়গী মনুংদগী ৮ দি হাজরা কম্যুনিটিগী মীওইশিংনি। অতৈ ৭ না মফমদুদা থবক শুবা মীওইশিংনি। অদুগা অমনা ফন্টিয়র কন্সটেব্যুলরিগী পার্সনেল অমনি হায়না সিটি পুলিসকী ওফিসল অমা ওইরিবা অব্দুল রাজক চীমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সিটি পুলিসকী ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অদু অলু বোরাশিংগী মরক্তা লোত্তুনা থন্নম্বনি। এটেক্ত অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অমত্তনা মখোয়ননি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

পনবা য়াই, হাজরাশিং অসি পাকিস্তান অমসুং অফঘানিস্তান অনীমক্তা তালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিং লোয়ননা অতৈ সুনি মুস্লিম মিলিটেন্টশিংনা তোয়না টার্গেট তৌদুনা লাকখিবনি। অফঘানিস্তানদা ইস্লামিক ষ্টেটসকা মরী লৈনবা গ্রুপ অমনা চথখিবা শাথিরবা এটেক্ত কয়াসু মখোয়দা টার্গেট তৌখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী শাথিরবা থৌদোক অদু অথিংবা থমখ্রবা সেক্টারিয়ন গ্রুপ লাস্কর-ঈ-ঝাংবি (এল ঈ জে)গী মরূ ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা রামজান মেঙ্গলবু ওথোরিটিশিংনা থাদোকখিবা মতুং নুমিৎ নিনি কান্নরগা থোক্লকখিবনি হায়না পুলিসকী ওফিসল চীমানা ফোঙদোকখি। এল ঈ জেগী লুচিংবা রামজান মেঙ্গল অসি মেন্টেনেন্স ওফ পব্লিক ওর্দর রেগ্যুলেসন্সকী মখাদা থা অহুম ফাজিন্দুনা থম্নকখিবনি।

# সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টকা ৱারী শান্নবদা ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা অথিংবশিং লৈখিনি হায়খ্রে

**ৱাশিংটন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিত্তা ৱাশিংটনদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইনগা ৱারী শান্নবদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগা অহুমশুবা সম্মিট অমগসু পাঙথোকপগী ৱাফমদা য়ানিংবা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্না প্যোংয়াংগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং মখা তানা লৈখিগনি হায়খ্রে।



ওভেল ওফিসতা ট্রম্প অমসুং মূননা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা দাইলোগ খুমাঙ চাওশিন্না চথবা য়ানবগী লম্বী অমা ওইনা মূন অমসুং কিমগী মরক্তা অথুবা মতমগী মনুংদা কোরিয়া মশেলগী ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোক্ল বগী মতাংদা খন্নখি।

ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকপা লেপখ্রবা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোক্লবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রাম থাদোক্লবগী মায়কৈদা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎতে হায়না অমেরিকানা তত্তনা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

ট্রম্প অমসুং কিমনা মমাঙদা অনীরক মীফম পাঙথোকখ্রে। অমনা হানোইদা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদনি অদুগা সম্মিট অমনা কুমজা ২০১৮ গী জুনদা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখি। মখোয় অনীগী সম্মিটশিং অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎহনখ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং থাদোকপগী ফিভমদা লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী দিল অমগী মতাংদা য়ানবা পুরকপদি ঙমখিদে।

ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন অমসুং মহাক্কী মরক্ত অহুমশুবা সম্মিট অমগসু পাঙথোকপা য়াগনি। মসি মথং মনাও নাইনা লাকপা খোঙথাংনি। থুনা পায়খৎকদবা প্রোসেস অমদি নত্তে।

পাউমীশিংনা মঙোন্দা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা খরা কোমথোক্লবা মহাক্কী মায়কৈদগী শেম শাবা লৈব্রা হায়না হংখিবদা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, মহাক অমসুং প্রসিদেন্ট মূনা হ্যুমেনিটেরিয়নগী ওইবা ৱাফম খরা খন্নখি। ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা সাউথ কোরিয়না নোর্থতা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীদুনা মতেং পাংবগী ৱাফম য়াওরি। অমরোমদা মহাক্না কিম অমসুং মূন অনীমক্কা লোয়ননা পার্টি অহুম্না শরুক য়াবা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম লৈতবসু নত্তে হায়খি। নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবা থম্বগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না অথিংবশিং মহাক্কী মায়কৈদগী মতম পুম্নমক্তা হেনগৎহনবা য়াবনি। তৌইগুম্বসুং হন্দক্কী মতাং অসিদদি মহাক্না প্যোংয়াংগী মথক্তা অহেনবা অথিংবশিং থমগে খনবা লৈতে। সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূননা হানোইদা মপুং ফাদনা লোইশিনখিবা সম্মিট অদু ফেল ওইবদি নত্তে তৌইগুম্বসুং খরা শাংবা প্রোসেস অমগী শরুক্নি হায়খি।

# সুদানদা য়াম্না থুনা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট লৈহল্লগনি হায়না মিলিটরি ট্রাঞ্জিস্নেল কাওন্সিলনা থাজবা পীখ্রে



**খার্তুম, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাসিরবু মফমদগী চিংথুরবা মতুংদা শেমখিবা সুদানগী ট্রাঞ্জিস্নেল মিলিটরি কাওন্সিলনা লৈবাক অদুদা অনৌবা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট অমা লৈরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা মীয়ামদা থাজবা পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুদা চহী ৩০ লেপ্তুনা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাসির শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অদুগী আর্মদ ফোর্সেসনা মফমদগী চিংথুখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর মোহম্মদ অহমদ অৱাদ ইবন আউগী মখাদা হৌজিক সুদানবু চল্লাইরিবা কাওন্সিল অদুনা হায়খি মদুদি, কাওন্সিলনা শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখিবা মীখলগী মাঙওইনবা ট্রাঞ্জিসনগী মতম অদু শাংলবদা চহী ২ ওইবা য়াই নৎত্রগা লৈবাক অদুবু কাং খোং চাইহল্লিবা ইরাং থোকপগী চাংশিংথানিঙাই ওইনা হন্থরকপা তারবদি হায়রিবা মতম অসিদগী য়াম্না হেন্না তেনশিনবসু য়াই। মফমদগী চিংথুখ্রবা ওমার বাসির ইন্টরনেসনল ৱার ক্রাইমসকী কোর্টতা মীওই কয়া পাক্তক্লনা হাৎখিবগা মরী লৈনবা মরাল কয়া মায়োক্লহন্নবা থাবগী থৌওং চথবা তৌরোই হায়নসু ট্রাঞ্জিস্নেল কাওন্সিলনা লাউথোকখ্রে। কাওন্সিল অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট বাসির সুদানদা ওইনা ৱায়েল চথগনি।

মিলিটরি কাওন্সিলগী পোলিটিকেল কম্মিটিগী মকোক ওইরিবা জেনরেল ওমার জেন অল-অবিদিননা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অদুদা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট অমা লৈহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রিবদু বাসিরবু মফমদগী চিংথুরবা মতুংদা লৈবাক অদুদা লান্মীগী লৈঙাক লৈহনবা য়ারোই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা লম্বী কয়াদা থোক্তুনা ইরাং হৌখিবা দেমোন্সট্রেশিংবু পেনহন্নবনি হায়না লৌনরি। জেনরেল অল-অবিদিননা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্টতা মিলিটরি কাওন্সিলনা খুৎ থিংজিনবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি।

# কেনিয়াদা গনমেনশিংনা ক্যুবান দোক্তর অনী ফাখ্রে, মখোয়বু গার্দ তৌবা পুলিস ওফিসর কাপ্পুনা হাৎখ্রে

**নাইরোবি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

কেনিয়াগী সোমালিয়াগা লোন্নবা বোর্দর মনাক্তা ইরাই নুমিত্তা গনমেনশিংনা ক্যুবান দোক্তর অনী কিদনেপ তৌখ্রে অমসুং দোক্তরশিং অদুবু গার্দ তৌরিবা পুলিস ওফিসর অমবুনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু দোক্তরশিংদুনা থবক মফমদা চৎপদা থোকখিবনি হায়রি।



লোকেল টেলিভিজন ষ্টেসন কে টি এন ন্যুজনা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা গনমেনশিং অদু সোমালিয়াগী অল-কায়দাগা মরী লৈনবা অল-সাবাব গ্রুপকী মিলিটেন্টশিং ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা ফোঙদোক্লি। কেনিয়ন সিটিজন টেলিভিজনগী ফুটেজনা বোর্দর তাবা লম্বী অমা পুলিসনা থিংজিন্দুনা থম্বগী শক্তম উৎখি।

নেসনল পুলিস সার্ভিসকী স্পোক্সমেন চার্লস ওৱিনোনা হায়খি মদুদি, টোয়োতা কার অনীদা লাকখিবা গনমেনশিং অদুনা ক্যুবান দোক্তরশিং লোয়ননা পুলিস ওফিসর অনী তোংলিবা গাড়ি অদু মন্দেরা টাউনগী ময়াইদা খামখি। এটেক্করশিং অদুনা কাপ্পদা পুলিসমেন অমা শিখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না কার অদু তোংলিবশিংদুগা লোয়ননা বোর্দর লাল্লগা সোমালিয়াদা থৌজিন্নবা হায়খি ওৱিনোনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।


মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ক্যুবান দোক্তরশিং অদুনা থবক তৌরিবা মন্দেরা কাউন্টি হোস্পিটালগী গাড়ি অদু ফংখিবগা লোয়ননা গাড়িদুগী দ্রাইভর অদু ৱাহং পাউহং পাউহং চথনবগীদমক ফাজিন দুন থমখ্রে। দোক্তরশিং অদুগী গার্দ ওইনা লোয়নখিবা পুলিস অমদি কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বা খুদক্কী ওইনদি খঙবা ঙমখিদে।

ওৱিনোনা এটেক্ত অদু কনানা পাঙথোকখিবনো হায়বা ফোঙদোকখিদে অমসুং মখা তানা হংখিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুমসু পীখিদে।

# ‘রসিয়ানা মরম ওইদুনা পোলিটিকেল দিল পুরকপা ঙমদ্রে’

**কামিসলি/সিরিয়া, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

কর্দশিংনা লুচিংবা অৱাং থংবা সিরিয়াগী ওথোরিটিশিং অমসুং সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী মরক্তা পোলিটিকেল দিল অমা য়ানবা পুরক্ল বা ৱারী শানবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে। মসি সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী মীচঙ ওইরিবা রসিয়ানা থোকহনবনি হায়না সিরিয়ন কর্দিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



মোস্কোনা ৱাটেমদুনা কর্দশিংগী ওটোনোমি মখা তানা লৈহন্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা য়ু এসনা নোরর্দন সিরিয়াদা লৈরিবা কর্দিস লমদমদগী য়ু এসগী ফোর্সশিং লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা মতুং চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা কর্দিস ওথোরিটিশিংনা দমাসকসকী সিরিয়ন রেজিমগা দিল অমা পুরক্লবা হোৎনবগী থবক অমুক হন্না পায়খৎপা হৌখিবনি।

কর্দশিংনা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী সিরিয়াদগী ট্রুপ লোইনমক লৌথোকপগী মহুত্তা ট্রুপ খরা মখা তানা থম্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে। সিরিয়ন গভর্নমেন্টনসু করিগুম্বা কর্দশিংনা সিরিয়াগী লৈঙাক্তা য়াদবা তৌরবদি কর্দিস ফোর্সশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না ইনৌ নৌনা কিহনখ্রে।

সিরিয়ন রেজিমগা পোলিটিকেল ৱারী শান্নবদুদা শরুক য়াখিবা সিরিয়ন কর্দিস ওফিসল অমা ওইরিবা বদ্রন জিয়া কর্দনা ফোঙদোকখিবদা, ৱারী শান্নবদু খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদনা লৈরে। মসি মরূ ওইনা রসিয়নশিংগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্তবনা মরম ওইদুনা দমাসকসকা চপ চানা নিগোসিএসন চথবা য়াদবদগীনি। রসিয়ানা হৌজিকসু পোলিটিকেল দিল অমা পুরক্লবা মায়কৈদা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না ক্লেম তৌজরবসু থবক ওইনদি করিমত্তা পাঙথোকপা লৈতে হায়না মহাক্না শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী মফম অয়াম্বদা অসাদকা লান্থেংনখিবা ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংগা মান্নদবা মওংদা সিরিয়াগী মরূ ওইবা কার্দিস গ্রুপশিংদি অসাদপু তাথিদে। মখোয়গী পান্দমদি সিরিয়া মনুংদা মখোয়দা হান্না পীরম্বা ওটোনোমি অদু মখা তানা কায়হন্দনা লৈহনবনি। তৌইগুম্বসুং দমাসকসনদি কর্দশিংনা পাল্লিবা ওটোনোমিগী লেভেল অদু য়ানিংদ্রি।

সিরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা হৌখিবা থাদা ফোঙদোকখি মদুদি, করিগুম্বা কার্দিস লুচিংবশিংনা ষ্টেট ওথোরিটিদা য়ানিংদবগী ফিভম উৎলক্লবদি মখোয়না চল্লাইরখিবা লমদম অদু ষ্টেটনা নম্ফুন্দা লৌশিনগনি। পনবা য়াই, কর্দশিংনা মশিং য়াম্না তারিবা নোরর্দন সিরিয়াদা য়ু এসকী ফোর্সশিং লৈরকখিবদুনা অসাদ অমসুং য়ুমথংনরিবা টর্কিনা হেঞ্জিলকপা য়াদনবা সিক্যুরিটি অমব্রেলো অমা মফমদুদা লৈহনখিবনি।

# নুপী পিছকিপ্পিং য়ুনিটশিং থাননবা ইন্দিয়ানা তকশিনখ্রে

**ন্যু য়োক, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়াওরিবা মেম্বরশিংনা পিছ কিপ্পিং য়ুনিটশিং থারকপা মতমদা নুপী মশিং খরা য়াম্না থারক্লবা হায়খ্রে। য়ু এনগী পিছ কিপ্পিং য়ুনিটশিংদা নুপী মশিং য়াম্না য়াওহনবা হায়বা হান্না য়ানখ্রবা পান্দমসিবু লৈবাক খরনা নুপী মশিং য়াম্না থারক্তবগী মপুং ফাবা য়ু এনগী পোলিসি অমা ওইবা ঙমহন্দ্রে হায়না ইন্দিয়াগী য়ু এন মিসন্দা কাওন্সিলর ওইনা লৈবা ঈনামা গাম্ভীরনা শগোলশেন নুমিত্তা সিক্যুরিটি কাওন্সিলদা হায়খ্রে।



য়ু এনগী মেম্বর লৈবাকশিংনা অসুম্না তৌদুনা লৈরবদি পিছ কিপ্পিংগী থবক্তা য়ু এননা পাল্লিবা নুপী মশিং য়াম্না য়াওহনবগী পান্দম অদু ফংবা ঙম্নরোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঈনাম গাম্ভীরনা মখা তানা হায়খি, নুপা-নুপী পুনবা পিছ কিপ্পিং য়ুনিট থাবগী পোলিসি অসি খরা হোংদোক্লগা ইন্সেন্টিব হেন্না পীদুনা নুপীশিংবু থৌদাং চাওনা লৌহনবা মরূ ওইরে।

য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা হায়খি পিছ কিপ্পিংগী থবক্তা নুপী সিভিলিয়ন অমসুং য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংগী মশিং হেনগৎহনবা হায়বসি য়ু এনগী মেন্দেটতু ফংনবগী খোঙথাংনি।

পিছ কিপ্পিং অসিদা নুপী মশিং অসি চাদা ১৫ দগী চাদা ৩৫দা কুমজা ২০২৮ ফাওবগী মনুংদা হেনগৎনবা পান্দম থল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ২০০৭তা লাইবেরিয়াদা ইহান হান্না নুপী ঙাক্তগী ওইবা য়ু এন পিস কিপ্পিং য়ুনিট অমা থমখি। মদুদা নুপী ১০৫না শাবা ইন্দিয়ন পুলিস য়ুনিট অমসু শরুক য়াখি।

য়ু এনগী পাউ অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারি থা ফাওবদা য়ু এন মিসনদা শীজিন্নরিবা ইন্দিয়ন পিছ কিপ্পর মশিং অসি ৬,৪৫৩নি। মসিগী মনুংদা নুপী ৪২ য়াওরি।

গম্ভীরনা মখা তানা হায়খি হন্দক্কী চহী লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা সাউথ সুদানদা লৈবা য়ু এন মিসনদা ইন্দিয়াগী নুপী পুলিস য়ুনিট অমা থানবা থৌরাং তৌরি। লাক্লিবা ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়ানা নুপী ওফিসর ২২ অমসুং লান্মীশিং য়াওবা নুপীগী ইনগেজমেন্ট টিম অমা এম ও এন য়ু এস সী ও (ফ্রেঞ্চ ইনিসিএলশিং) হায়না খঙনবা দেম্মক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা লৈরিবা য়ু এন মিসনগী রেপিদলি দিপ্লোয়েবল বট্টালিয়নদা দিপ্লোই তৌনবা শেম শারি।

ইনগেজমেন্ট টিমশিং অদু সপোর্ট তৌবা নৎত্রগা পোলিসিংগী থৌদাংশিং লৌদুনা লৈবগী মহুত্তা পিছকিপ্পিং ওপরেসনশিংগী ফ্রন্টলাইনশিংদা ওপরেট তৌই। সেসন অদুদা প্রিসাইদ তৌখিবা জর্মনিগী দিফেন্স মিনিষ্টর উর্সলা ভোন্দরলেননা নুপীশিংনা মতম পুম্বদা মিসনশিং অদুগী স্কিল-সেট হেন্না চাওথোকহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# পিছ টোক্স মরক্তা টালিবান্না স্প্রীং ওফেন্সিভ লাউথোকখ্রে



**কাবুল, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

কালেন চঙলকখিবগা লোয়ননা টালিবান্না মখোয়গী হান্নদগী চথদুনা লাকপা চহীগী স্প্রীং ওফেন্সিভ হৌরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

টালিবান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পিছ টোক্স চথরিঙৈ অমসুং থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা অফঘান মীহুৎশিংগা মীফম কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা গ্রুপ অসিনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

অৱাবিক্তা ‘ভিক্তরি’ হায়না খঙনবা ওপরেসন ফাথ লৈবাক অদুবু মপানগী ফোর্সশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরক্লিবদু লোইশিনহন্নবগী অমসুং করপসন অমসুং মপানগী ফোর্সশিংনা লান্দাবগী ফিভমদগী ঐখোয়গী মুস্লিম হোমলেন্দবু কন্নবগী পান্দমদা অফঘানিস্তান শীন থুংনা পাঙথোক্লগনি হায়না টালিবানগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

টালিবান্না স্প্রীং ওফেন্সিভ লাউথোক্লিবা অসিগা লোয়ননা লানগী সিজন হৌগদৌরিবনি। অমরোমদা, টালিবান্না নিংথম থা য়াওনা চহী চুপ্পা অফঘান অমসুং য়ু এস ফোর্সশিংগা লান্থেংনদুনা লাকখিবনা মখোয়না চহীগী ওইবা স্প্রীং ওফেন্সিভ লাউথোক্লিবসি সিম্বোলিক ওইননি হায়না লৌনরি।

অফঘান প্রসিদেন্ট অসরফ ঘানিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু হৌখিবা থাদা মখোয়গী ওইবা ওফেন্সিভ ওপরেসন খালিদ লাউথোকখ্রবনি। টালিবান্না স্প্রীং ওফেন্সিভ লাউথোক্লিবসি মরূ ওইনা অনৌবা লাঞ্জং অমা হৌবা য়ানবনি হায়নসু লৌনরি।

টালিবান্না হায়খি মদুদি, অফঘান এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী ওপরেসন খালিদ লাউথোকখিবা অসিনা য়েক্লবনা মখা তানা মখোয়গী ফত্তবা পান্দমশিং ফংনবা হোৎনবদা ফোর্স শীজিন্নখিগনি হায়বসি উৎলি। গ্রুপ অসিনা অফঘান লান্মীশিং, পুলিস অমসুং অতৈ প্রো-গভর্নমেন্ট ফাইটরশিংদা মখোয়দা য়াওশিল্লক্ল বসু আপিল তৌখ্রে।

গ্রুপ অসিনা হায়খি মদুদি, ইন্টরনেসনল ফোর্সশিংনা অফঘানিস্তান্দা হৌজিকসু মিলিটরি অমসুং পোলিটিকেল ইথিল পীবা লেপ্তবনা মখোয়না লৈবাক অদুগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবসু মখা তানা লান চথখিগনি। জিহাদিসশিংগী পান্দম হৌজিকসু চপ চানা ফংবা ঙমদ্রি হায়না টালিবান্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঘোসনগী লোইনবীদা প্রোসিক্যুটরশিংনা ৱাহং পাউহং তৌখ্রে

**টোকিয়ো, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি):**

খ্বাইদগী নৌবা ফাইনান্সিএল মিসকন্দক্টকী চার্জশিংগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংনা ফারবা নিশান মোটোর অমসুং রিনোলগী হান্নগী মকোক কার্লোস ঘোসনগী লোইনবীবু জাপানগী প্রোসিক্যু-টরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ৱাহং পাউহং চথখ্রে।

ইনৌ নৌনা শীরিবা ফাইনান্সিএল মিসকন্দক্টকী মরালশিং অদুনা মরম ওইদুনা কার্লোস ঘোসনবু হৌখিবা চয়োলদা অমুক হন্না ফাজিন্দুনা থমখিবনি। কার্লোস ঘোসনগী লোইনবী কারোল ফ্রান্সতকী টোকিয়োদা হল্লকখিবা নুমিৎকী মথংগী নুমিত্তা টোকিয়ো দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পব্লিক প্রোসিক্যুটরশিংনা ৱাহং পাউহং চখিবনি হায়না মতৈ মনাও অসিগী উকিলশিংনা ফোঙদোকখি।

ৱাহং পাউহং চথবা অদুদা কারোলনা মহাক ফাইনান্সিএল মিসকন্দক্টতা চেন্নখিবা লৈতে অমসুং অদুগুম্বা অরান-অহুই কয়া তৌখিবগী মতাংদা মহাক করিমত্তা খঙদে হায়খি হায়না মহাক্কী লিগেল রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা জাপানিজ ষ্টেট ব্রোর্দকাষ্টর (এন ঐচ কে)দা ফোঙদোকখ্রে।



ঘোসনগী লোইনবী কারোল মপুরোইবা ফাখিবা নুমিৎকী মথংগী নুমিৎ হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ফ্রান্স থাদোকখিবনি হায়রি। নিশানগী হান্নগী এগজিক্যুটিভ ঘোসন্না বেলদা লৈরিঙৈদা থাজবা মাঙহনবগী কা হেনবা থৌওং অমা চথখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা নৌনা শীরকখিবা মরাল অমগা মরী লৈননা কারোলবু ৱিটনেস অমা ওইনা কোর্টনা কৌখৎখিবনি হায়রি।

জাপানিজ পব্লিক প্রোসিক্যু-টরশিংনা চিংনরিবদি মশাগী চহী ৬৫ শুরবা নিশানগী হান্নগী এগজিক্যুটিভ কার্লোস মঙোন্দা কান্নবা পীরিবা ওমানদা বেজ তৌবা দিষ্ট্রিব্যুটর অমদা ইলিগেল ওইবা মওংদা ফন্দ কয়া পরিং নাইনা ট্রান্সফর তৌখিবদা চেন্নরম্বা য়াই হায়বসিনি।

কার্লোস ঘোসন অহানবা ওইনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বর ১৯ দা ফাখি অমসুং হৌখিবা মার্চ ৯ দা বেলদা থাদোকখি। মঙোন্দা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল ৪ শীখ্রবনি। হৌজিক্না মরিশুবা মরাল অমসু শীননবা থৌরাং তৌরিবনি। হান্নগী এগজিক্যুটিভ অসিদা শীরিবা মরালদি নিশানগা মহাক্না য়ানখিবা সেলরি কম্পেসেনশিংগী মতাংদা মহাক্না ওথোরিটিশিংদা নীংথিনা খঙহনদে হায়বসিনি।